# চাইনাগী কম্যুনিষ্ট পার্টিনা অনৌবা সেন্ত্রেল কম্মিটি লাউথোকখ্রে



বৈজিং, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি) : চাইনাগী রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিনা ১৯লকশুবা কম্যুনিষ্ট পার্টি কোংগ্রেসকী সেসন লোইশিনবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পার্টিগী এলিট রুলিং বোদিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা ওইরিবা অনৌবা সেন্ত্রেল কম্মিটি অমা লাউথোকখ্রে।

লিষ্ট অদুনা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী অনীশুবা টর্ম মনুংদা পার্টিগী টোপ পোজিসনশিং কনা কনানা মেনশিনগনি নৎত্রগা কনা কনানা পোজিসন পায়রোই হায়বগী লংলা লংজিনশিং পীরি। পার্টিনা মসিগী অনৌবা পুলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটি লাউথোক্লগনি। সিনা লুচিংবা মেম্বর তরেৎ য়াওবা কম্মিটি অসি চাইনাদা পৱারগী এপেক্স ওইরিবনি। অনৌবা পোলিটব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটি অদু য়ূমশকৈশগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদা খনগনি।

মমিং খরা মখাগী অসুম্না খনগৎপা য়াই- ৱাং কিশান: মশাগী চহী ৬৯শুরবা এন্টি-করপসন জার অমসুং হৌজিক্কী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মেম্বর ৱাং কিষান অনৌবা সেন্ত্রেল কম্মিটিদা য়াওররোই। মহাক অতোপ্পা টর্ম অমগসু পায়গদৌরিবরা অমসুং চহী ৬৮শুরবা মীওইবু অনৌবা পোজিসন পায়হন্দবা হায়বা ওফিসলদি ওইদবা থবক্তগী পোত্থাবগী রুল থুগাইদৌরিবরা হায়না থা কয়ামুক ঙাঙনরকখিবা মতুংদা অনৌবা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী লিষ্টতা মহাক্কী মমিং য়াওরকখিদবনি। ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী ৱাংমদা মখা তানা ৱাংনা লিদরসিপকী থৌদাং অমা লৌবসু য়াই হায়না ছোর্সশিংনা রোইটর্সতা সেসন অদুগী মাঙওইননা হায়খি।

লন্নাই ৱারেপশিং য়েংশিল্লিবা পার্টিগী ওর্গনাইজেসন দিপার্টমেন্টকী মকোক ওইরিবা মশাগী চহী ৬০শুরবা ঝাও লেজিতুগী মিং সেন্ত্রেল কম্মিটি অমসুং সেন্ত্রেল কম্মিসন ফোর দিসিপ্লিন ইন্সত্রক্সন কম্মিটিগী লিষ্ট অনীমক্তা য়াওখি। মসিনা মহাক ৱাং কিষানগী মহুৎ শিন্দুনা এন্টি-করপসন জারগী থৌদাং লৌরবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়রি।

মশাগী চহী ৬৭শুরবা ভাইস প্রসিদেন্ট লি য়ুৱানচাও মেম্বর ২৫ লৈবা পোলিটব্যুরোদগী পোথারবা য়াই। মহাক মেম্বর ২০৪গী সেন্ত্রেল কম্মিটিদা য়াওদ্রে হায়রি।

চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জৈচি (৬৭) মহাক্কী ষ্টেট কাউন্সিলগী ফম মখা তানা পায়বা য়াই নৎত্রগা মহাক পার্লিয়ামেন্টদা প্রমোট তৌবা য়াই নৎত্রগা এদভাইজরি বোদিদা য়াওবা য়াই। মহাক অমুক হন্না সেন্ত্রেল কম্মিটিদা মমিং য়াওরকপদগী ফমশিংসি পায়বা য়াবগী ফীভম লাক্লিবনি।

করিগুম্বা য়াংনা থবক্তগী পোথাবা তারবদি থা অসিদা চহী ৬৪ শুরিবা ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি অমসুং পার্টিগী ইন্টরনেসনল লিয়েজন দিপার্টমেন্টগী মিনিষ্টর ওরিবা চহী ৬২শুরবা সোং টাওনা য়াংগী মহুৎ শিনবা য়াবা মরু ওইবা মীশকশিং ওইরি। ৱাং অমসুং সোং অনীমক সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংনি।

য়ু এনদা চাইনাগী পার্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইরিবা মশাগী চহী ৫৯শুরবা ভেটরন দিপ্লোমেট লিয়ু জিয়েয়ি সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর হাপখিবগা লোয়নন্না টাইৱান এফেয়র্স ওফিসকী মিনিষ্টর ওইরগনি হায়রি। মহাক থবক্তগী পোথারগদবা ঝাং জিজুনগী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

হান্নগী প্রেমিয়র লি পেংগী মচানুপা অহল ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর লি সিওপেং (৫৮) সেন্ত্রেল কম্মিটিগী ফুল মেম্বর অমা ওইরে। চহী মঙাগী মমাঙদা মহাক সেন্ত্রেল কম্মিটিগী ওন্থাং ওনশিন তৌনবা মেম্বরশিংগী মরক্তা ভোট খ্বাইদগী ফংগন্দবা ওইখি।

নুপী তরাসু কম্মিটিদা য়াওহনখিবগা লোয়নন্না মমাঙগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগা মান্নবা চাংদা নুপীনা অপূনবগী চাদা ৪.৯নি হায়রি।

# ত্রম্পনা বৈজিং খোঙচৎতা নোর্থ কোরিয়াদা প্রেসর পীনবা চাইনাদা তকশিনগদৌরি



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি) : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মথং থাদা চাইনাদা খোঙচৎ অমা চৎপদা নোর্থ কোরিয়াদা প্রেসর হেন্না কন্না পীনবা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংদা তকশিনগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মসিনা বৈজিংবু পিয়োংয়াং লাকশিনহনবগী ষ্ট্রেটেজি মপূং ফাহল্লগনি হায়রি।

ন্যুক্লিয়র অমসুং বালিষ্টিক মিসাইল চাংয়েংশিংগা মরী লৈননা নোর্থ কোরিয়াবু মখা তানা মালেমদগী লাপথোক্না লৈহনবা হায়বসি ত্রম্পকী মপান খোঙচৎকী মরুওইবা পান্দম অমনি হায়না লৌনৈ। ত্রম্পনা সিদা পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিং মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা অমসুং নোর্থ কোরিয়াদা প্রেসর পীনবগী অতৈ খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনগনি।

চাইনানা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিনা নোর্থতা থাও থাবা লেপ্পগা লোয়নন্না লৈবাকসিদগী কোল, টেক্সটাইলস অমসুং সিফুদ লৈবা থিংলিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিডড্লগী অথিংবশিং চেকশন্না ঙাক্কনি।

তৌইগুম্বসুং ত্রম্পকী খোঙচৎকী মাঙওইননা পাউমীশিংদা ব্রীফ তৌখিবা হ্বাইট হাউসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, চাইনাগী সপোর্ট য়াওনা মোত অমত্তা ওইনা এপ্রুভ তৌখিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিং ঙাক্না চৎনবা চাইনানা হেন্না কন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

চাইনানা মমাঙদা পীখিবা থাজবশিং ঙাক্না চৎপদু ঐখোয়না উবা পামই। ঐখোয়না চাইনাবু লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানখিবশিং ঙাক্না চৎপগা লোয়নন্না য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিংনা শিন্নবদগী হেন্দোক্না থবক তৌহন্নীংই হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা হঞ্জিন হঞ্জিন ন্যুক্লিয়র মসুং মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিবদা চাইনানা খোইরাংনা খোইশাওনবগা লোয়নন্না অদুগুম্বা চাংয়েংশিং লেপ্পবা দিমান্দ তৌখ্রবসু বৈজিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়নসু লমদম অদুদা মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকমিন্নদুনা টেন্সন হেনগৎহনবদা মতেং পাঙই হায়না লৌরি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ইস্যুগা মরী লৈনবা চাইনাগী অখন্নবা এনভোই কোং সুআনয়ুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বৈজিংদা মহাক্কী য়ু এসকী লেংমান্নবা জোসেফ য়ুনগা উনখি হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না, মখোয়না কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ইস্যুগী মতাংদা তাথোক তাশিন তৌনখি। মিনিষ্ট্রিনা অকুপ্পা মরোলদি পীখিদে।

# রেক্স টিলরসনগী খোঙচৎতকী ইস্লামাবাদনা কান্নবা ফংনীংঙাই ওইদে : পাকিষ্টানি ওফিসলশিং



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি) : টালিবানবু কোম্না চঙজফম পীবগীদমক্তা য়ু এসনা পাকিষ্টান্দা অকনবা প্রেসর পীখিবা মতুংদা ঙসি ইস্লামাবাদতা লাকখিবা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসনগী খোঙচৎতগী থোইদোকপা কান্নবশিং লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়না পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইখিবদগী পাকিষ্টান্দা চৎপা অহানবা ওইরিবা টিলরসনগী খোঙচৎ অদুনা লেপ্তুনা ফীভম শোকচিল্লক্লিবা লৈবাক অনীগী মরী খরা মখৈদি ফগৎহনবদা মতেং পাঙবা য়াই হায়না ওফিসলশিংদুনা থাজবসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হৌখিবা ওগষ্টতা সাউথ এসিয়া অমসুং অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা মহাক্কী ষ্ট্রেটেজি লাউথোকখিবা মতুংদা টিলরসন্না ইস্লামাবাদতা চৎপা অহানবা অৱাংবা থাক্কী ওফিসল ওইরি।

ঐখোয়দা অহেনবা থবক কয়া পাঙথোক্লবা হায়গনি অমসুং পাকিষ্টান্না তৌখিবশিংগীদমক্তদি লৈবাক অসিদা ক্রেদিট মতিক চানা পীরোই হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি।

য়ু এসনা ফোর্স হেন্না শীজিন্নবদা মিৎয়েং থম্বগা লোয়নন্না পাকিষ্টানবু তাংদাংবা মিলিটেন্ট অমসুং টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা এক্সন মতিক চানা লৌখৎতে হায়না মরাল শীখি।

ফোরন ওফিসকী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না, টিলরসনগী খোঙচৎ অসিনা বাইলেটরেল অমসুং রিজনেল ইস্যুশিংগা মরী লৈননা তুংদা লৈবাক অনীগী ইনগেজমেন্টগী মওং লেপকনি। হৌখিবা চহীরোমসিদা ইনি দয়ানা অকন অরিংগী থৌওংশিং উৎখিবগী মতাংদা পাকিষ্টান্না টিলরসন্দা খঙহনগনি। মদুগা লোয়নন্না টেররিজমনা মরুওইবা ৱাফম ওইনা খন্ন-নৈনগনি হায়না পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকন অব্বাসি অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা আর্মিগী চীফ জেনরেল কমর জাভেদ বাজৱাগা উনগদৌরিবা টিলরসন্না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বাগরম এয়র বেজদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি পাকিষ্টান্না থাঙ্গৈশেংনা লৈবাকসিদা খুদোংথিবা অমত্তা নংলোইদবা চঙজফমশিং থীরিবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মশীংগসু মরী লৈননা হৌজিক লৈরিবা ফীভমদুগী মতাংদা মুন্না খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌখিবা ওগষ্টতা পীখিবা ত্রম্পকী স্পিচতা পাকিষ্টানবু মিলিটেন্টশিং চঙজফম পী হায়না মরাল শীখি। অমরোমদা ইস্লামাবাদকী মায়কৈদগীসু ক্লেম অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি অমসুং এক্সত্রিমিজম থেংনবদা মীওই লিশীং কয়ানা থৱায় কৎখিবা অমসুং বিলিয়ন কয়া চাদিং তৌখিববুদি অমেরিকানশিংনা শিংথাবীদে হায়খি।

ত্রম্পকী স্পিচ অদুগী মতুংদা টিলরসন্না পাকিষ্টান্দা অফঘান মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদা মখা তানা সপোর্ট পীরবদি খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লিবা মিলিটরিগী মপাং অমা ওইবগী ষ্টেটস মাঙখিনি হায়না কিহনখি।

# কিম জোং-নাম হাৎপগী মরাল শীখ্রবা নুপী অনী মালেসিয়াগী ক্রাইম সিনদা অমুক হন্না চৎহনখ্রে



কুলা লম্পুর, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি) : নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা হাৎপগী মরাল শীখ্রবা নুপী অনীনা মীহাৎতুগী ক্রাইম থোকখিবা মালেসিয়নগী এয়রপোর্টতা নুমিৎতুগা মান্নহন্নবা শিনবা পুং অহুমগী খোঙচৎ অমা চরাংনবা মরক্তা চৎখ্রে।

নুপী অনী অসিবু এয়রপোর্ট অদুদা ফ্লাইট অমা ঙাইদুনা লৈবা কিম জোংনামগী মমাইদা কা হেন্না ময়াই কল্লবা হু ওইবা পোৎশক ভি এক্স নর্ভ এজেন্ট লানখি হায়না মরাল শীখিবনি। মখোয়না মীহাৎতুদা মখোয় মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না মখোয়না তৌখিবদু টি ভিজী ফাগী অমনি অমসুং মখোয়বু নোর্থ কোরিয়ন এজেন্টশিংনা লৌনম তৌবীখিবনি হায়খি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৩গী মীহাৎ অদুদা চেন্নবগী ৱাফম পিয়োংয়াংনা রিজেক্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং মীহাৎতুগী নুমিৎতা মালেসিয়াদগী চেনখিবা নোর্থ কোরিয়নশিংনি হায়না থাজনখিবা মীওই মরিসু কেস অদুদা মরাল শীরি।

লৈবাকপোকপগী অয়ুক্তা জর্নেলিষ্টশিংনা নুপী অনীদুবু কুলা লম্পুর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ঙাইনখি। ঙসি মখূৎতা হেন্দকপ চল্লবা অমসুং বুলেটপ্রুফ ভেষ্টশিং লিংপা ইন্দোনেসিয়ন নুপী মশাগী চহী ২৫ শুরবী সিটি ঐস্যাহ অমসুং ভিয়েটনামিজ নুপী মশাগী চহী ২৮শুরবী দোন থি হোং পুলিস দজন কয়ানা য়োল্লগা ক্রাইমগী মফমদুগী অকোয়বদা চৎখি।

খোঙচৎতুগী ময়ায় চল্লকপদা দোনগী শকফম মশা নুংঙাইতনা উখি অদুগা ইন্দোনেসিয়ন সিটি ঐস্যাহদি কপথোরকপা উখি। ফীভমদুদা মখোয়নিমক হ্বীলচেয়রশিংদা ফমহনখি। তুংদা দিফেন্স লোইয়রশিংনা সস্পেক্ট অনীমক মশাদা থোংলিবা ভেষ্টশিংদু লুম্মনবদগী ৱারে হায়না ফোঙদোকখি।

মখোয় বুলেটপ্রুফ ভেষ্টশিং লীৎপা তাখি। অরুম্বা পোৎশকশিংদু পুরগা মখোয়না পুং অহুম মখোঙনা চৎখি। সিটি ঐস্যাহ অমসুং দোন মশা চোকথরকখি হায়না ঐস্যাহগী লোইয়র গুই সুন সেংনা হায়খি।

বজেট এয়রপোর্টতা চৎপগী খোঙচৎ অদু জজ, প্রোসিক্যুটরশিং অমসুং দিফেন্স লোইয়রশিং য়াওনা কেস অদুদা চেন্নরিবশিংবু ফেব্রুৱারী ১৩দা এয়রপোর্টতুদা থোকখিবশিংগী মরমদা হেন্না নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক্তা লাংখিবনি।

তৌইগুম্বসুং মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকচখ্রবা নুপী অনীদুবু ফোটো কাপ্পবা ফোটোগ্রাফর কয়া চেনশিন্নবদগী খোঙচৎ অদু য়াম্না থুনা চরাংনবা থৌদোক অমা ওইরকখি। কিম জোং নাম নুপী অমনা মমাইদা কেমিকেল চাইশিল্লমখি হায়না কমপ্লেন তৌখিবা মতুংদা হোস্পিটালদা পুবদা লমখাংদা শখিবনি।

# জেলদা থম্লকখিবা দিমোক্রেসিগী এক্টিভিষ্টশিং বেলদা থাদোকখ্রে



হোং কোং, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি) : জেলদা থম্লকখিবা হো কোংগী দিমোক্রেসিগী এক্টিভিষ্টশিং জোশুৱা ৱোং অমসুং নাথন লো লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেলদা থাদোকখ্রে। কুমজা ২০১৪গী অমব্রেলা মুভমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংগীদমক্তা পীখিবা কনভিক্সনশিংগী মায়োক্তা থাখিবা আপিলগী ৱারেপ তাদ্রিঙৈদা মখোয়বু বেলদা থাদোকখিবনি।

সেমী ওটোনোমস সিটি অদুদা বৈজিংগী খূৎপাই চেৎশিল্লক্লি অমসুং রুল ওফ লো খোঙ্গাওনবগী থৌওং লৈরে হায়বগী অকিবা লাকখিবগা চাননা হৌখিবা ওগষ্টতা সিটিগী কোর্ট ওফ অপিলনা চৈরাকশিংদু লাউথোকখিবনি।

মশা ইনখৎলক্লিবা নহা অমা ওইনা মীয়ামগী প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিংদা মাঙজিল থারকখিবা মশাগী চহী ২১শুরবা ৱোংবু থা তরুক জেলদা থম্বগী চৈরাক পীখি অমসুং মশাগী চহী ২৪শুবা লোবুনা থা নিপান জেলদা লৈনবা চৈরাক পীখি।

মখোয়বু কোর্ট ওফ ফাইনেল অপিলদা নবেম্বর ৭ ফাওবা বেল পীখি। অপিল প্রোসিদিংসকী অহানবা কোর্ট কাবদা মখোয়বু বেল পীখিবনি।

লো অমসুং ৱোংগা লোয়নন্না থা তরেৎ জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখিবা অলেক্স চো কৌবা অহুমশুবা এক্টিভিষ্ট অমদি লৈবাকপোকপগী হিয়ারিংদা য়াওখিদবনি। কোর্ট হাউসতুদগী থোক্লকপদা মায়থোং লাংশিন্না উখিবা লোনা হায়খি, মখোয়না জেলদা নুংঙাইতবা কয়া থেংনখি অমসুং মহাক মহাক্কী ইমুংগা চামিন থকমিন্নবগী মতম খৌরাংনা ঙাইখি।

লোনা হায়খি মদুদি, অপিল কেসকী রিজল্টতু সেমি ওটোনোমস দিলনি হায়না লৌনবা 'লৈবাক অমা, সিষ্টেম অনী' ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মখা পোনগনি। দিল অসিনা হোং কোংবু মপূং লমদা উদবা রাইটশিং গরেন্টি তৌই। কুমজা ১৯৯৭তা বৃটেন্না হোং কোং শিন্নখিবা মতমদা শেমখিবা এরেঞ্জমেন্ট অদুবু খোঙ্গাওনৈ হায়না চাইনাবু হোং কোংগী এক্টিভিষ্টশিংনা মরাল শীরিবনি। কেসতুগী রিজল্টনা ঐখোয়গী লোগী সিষ্টেমদা হ্যুমেন রাইটশিং ঙাক শেনবগী ফীভম উবা ফংলগনি হায়না লোনা পাউমীশিংদা হায়খি।

ৱোংগী ওইনদি নুংথিল অঙনবা ফাওবা কোর্টতা চে চাংশিং লোইশিন্নবা হোৎনখি। মখোয়নি থাদোকপগী পাউ তাবদা মপান্দা লৈরিবা সপোর্টরশিংনা খূৎতুম থাঙ্গৎনদুনা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। লো মেকর ইদি চুনা মদু দিমোক্রেসি শৌগৎপশিংগী পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা পাউনি হায়খি।

মীওই অহুম অসি কুমজা ২০১৪গী সেপ্তেম্বরদা মপূং ফাবা ফ্রী লিদরসিপ মীখল পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা চথখিবা প্রোটেষ্টকী শরুক ওইনা 'সিভিক স্কৱার' হায়না খঙনবা খাজিল্লগা থম্বা গভর্ণমেন্টকী ফোরকোর্ট অমদা থোমজিনখিবগী-দমক্তা হৌখিবা চহীদা লোনা য়াদবা মওংদা পূনবগী মরাল শীখিবনি।

# ভেনিজুএলাদা বোইকোট লৈরবসু ওপোজিসন গভর্ণর মরি ৱাশক লৌখ্রে

কারাকস, ভেনিজুএলা, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি) : ভেনিজুএলাগী মীখলদা নৌনা মায় পাকখিবা ওপোজিসন গভর্ণর মরি কন্সটিটুয়েন্ট এসেমব্লিদা ৱাশকপগী ৱাফম য়াখ্রে। মখোয়গী কোলিসনগী ওফিসল পোজিসনগী মায়োক্তা নৌনা মায় পাল্লকখিবা ওপোজিসন গভর্ণরশিংনা কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিদা ৱাশকপগী ৱাফম য়াখিবনি।

ওপোজিসনগী কোলিসন রাউন্দ টেবল ফোর দেমোক্রেসি (এম য়ু দি) না মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী কেন্দিদেট অমত্তনা মখোয়না লোনা য়াদবনি হায়না লৌরিবা প্রো-গভর্ণমেন্ট এসেমব্লিদা কোক নোল্লোই হায়খিবনি। অদুম ওইনমক গভর্ণর মরি হায়বদি টাচিরা, মেরিদা, ন্যুএভেট ইস্পার্টা অমসুং অঞ্জোতেগুলনা কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিবু ইকায়খুম্নগনি হায়খি।

এম য়ু দিনা হায়রি মদুদি হৌখিবা ওক্টোবর ১৫গী ভোটতা ষ্টেট কয়াদা কোলিসনগী কেন্দিদেটশিং মায় পাকহনখিদে। অচৌবা খোঙথাং অসিনা নৌনা মায় পাকখিবা সোসিয়েলিষ্ট গভর্ণর ১৮না মমাঙদা ৱাশকখিবদা বোইকোট তৌখিবা এম য়ু দিগী গভর্ণর মঙাগী মনুংদগী মরিনা মখোয়গী ফিরেপ হোংলে হায়বসি উৎলি।

কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিগী মকোক দেলসি রোদ্রিগিজনা হায়খি, লেমহৌরিবা ওপোজিসন গভর্ণর - জুলিয়ানা ষ্টেটকী জুআন পাবলে গুৱানিদা ৱাশকউ য়াদবগীদমক্তা ফত্তবা মহয় কয়া মায়োক্লরগনি।

অতৈ গভর্ণরশিংগা চাংদম্নবদা হকচিনবা ৱাখল্লোন চেনবা হেনবা পার্টি অমগী মীরেপ ওইরগা কারকখিবা গুৱানিদানা হায়খি, প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী দিক্টেটরসিপকী মমাঙদা মহাক্কী ষ্টেটতা কোক নোনবগী ৱাফম লৈতে। মীখলগী রিজল্ট অদুবু মায় পাকপা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মাদুরোনা হায়খি মদুদি, কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিনা ৱাশকহনবা য়াদবা গভর্ণরশিং ওফিস পায়বা য়াহল্লোই।


ভেনিজুএলাগী রিজনেল গভর্ণরসিপ ২৩গী অয়াম্বা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা কেন্দিদেটশিংনা ফংখিবা মীখল অদু অরান অহুই কয়ানা থনখি হায়না ওপোজিসন্না মরাল শীরি।

গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী নমথাক তৌখিবগী খুদম ওইনা মখোয়না বোলিভার ষ্টেটতা নুমিৎ নীনি থীন্থরবা মতুংদা গভর্ণমেন্টগী কেন্দিদেট অমবু মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবগী পাউ অকন্নবা ক্রিটিসিজমগা লোয়নন্না ফোঙখি।

প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা মীখলগী মাঙওইননা অনৌবা গভর্ণরশিং কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিবু ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়নন্না মসিগী মমাঙদা ৱাশক লৌগদবনি হায়না চেকশিনৱা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন কেন্দিদেটশিংনা মদুবু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না মখোয়না কৈদৌঙৈদসু অদুম্না ৱাশক লৌরোই হায়খি।

কন্সটিট্যুসন নৌনা ইথোকপগী পান্দম লৈবা এসেমব্লি অদু ওপোজিসন্না শৌগৎখিদবা মালেম্না কন্দেম তৌখিবা হৌখিবা জুলাইগী মীখল মতুংদা শেমখিবনি। ওফিসলশিংনা এসেমব্লি অদুদা ঙমখৈ নাইদবা পৱারশিং শিন্নখি।

# য়ু এস, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়া থেংননবা শেম শাবগী ত্রেনিং দ্রিল হৌখ্রে



সিওল, মনিলা, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল থ্রেটশিংগী পাউখুম ওইনা মখোয়গী মিলিটরিশিংবু শেম শাহনবা ওইনা য়ু এস, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা নুমিৎ নীনিগী ত্রেনিং দ্রিল হৌখ্রে।

দ্রিল অদু খূৎলায় চাংয়েং কয়া উৎতুনা লান পাম্বগী থৌওং উৎতুনা লাকপা মালেমদগী তোঙান্না তারবা নোর্থ কোরিয়াগী মনাক নক্লা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা পাঙথোকখি।

হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা সিক্যুরিটি কন্সলটেটিভ মীটিং অমগী এগ্রীমেন্টগী মতুং ইন্না মান্নবা এক্সর্সাইজশিং থা কয়ামুক পাঙথোকপা উখি। কিম জোং উনগী হায়না তানবা য়াদবা ষ্টেটনা কিহল্লক্লিবা কয়াদু লুই অমসুং শোয়দনা থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈ হায়না জপানগী মায়কৈদগী চেকশিন ৱা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ত্রেনিং দ্রিলগী খোঙথাংসি লাকখিবনি।

চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবা জপানিজ দিফেন্স মিনিষ্টর ইটসুনোরি ওনোদেরানা ঙরাং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াদা এক্সন লৌখৎলক্লবা তকশিনখি।

জপানিজ দিফেন্স মিনিষ্টর ইটসুনোরি ওনোদেরাগী চেকশিন ৱারোল অদু মহাক্কী য়ু এসকী লেংমান্নবা জেনরেল জেমস মাতিসনা চম্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগদি খেন্নখি।

জপানিজ মিনিষ্টরনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা কিহল্লকপগী মওং অসি মমাঙদা থোকখ্রিবা অরুবা অমসুং শুংশোয় শোয়দনা থোক্লকপা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে। মরম অদুনা ঐখোয়না অদুগুম্বা থাক্কী থ্রেট থেংননবা তোঙান তোঙানবা পাউখুমশিং লাংবা চঙই।

ফিলিপিন্সতা পাঙথোক্লিবা দিফেন্স চীফশিংগী মীফমদুদা শরুক য়ারদুনা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সোং য়ং মূনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী কাইহৌবগী থৌওংসি নোংমা নোংমগী কনশিনবা হেল্লক্লে।

জেনরেল মাতিসনা হায়খি, পিয়োংয়াংনা খূৎলায় চাংয়েং লেপ্তুনা চথবনা রিজনেল অমসুং গ্লোবেল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহল্লে।

# কোলিসন গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী ৱারী শাননবা ইন্দিয়াদা ইনভাইট তৌখ্রে

ভিয়েনা, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সি): কোলিসন গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ৱারী শাননবা ফার রাইটতা ইনভাইট তৌখ্রে হায়না ওষ্ট্রিয়াগী কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিনা ফোঙদোকখ্রে।

সেবেষ্টসন কর্জনা হায়খি, টেক্স কট অমসুং ইম্মিগ্রেসন কন্ত্রোল তৌবগী মতাংদা মহাক্কী পার্টি পিপলস পার্টিনা ফ্রীদম পার্টি (এফ পি ও) গা ফিরেপশিং মান্নৈ। খোঙথাং অসিনা চহী ১০ হেন্না ওপোজিসন্দা লৈরকখিবা এফ পি ওবু গভর্ণমেন্ট পায়বদা য়াওনবগী লম্বী ফাৎখ্রে। তৌইগুম্বসুং কর্জনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টদি য়ুরোপকী অপূনবা শক্তমবু ইকায়খুম্নবা পামদবা এফ পি ওগী ৱাখল্লোনগা ওন্না তৈনবদা প্রো-য়ুরোপিয়ন ওইগনি হায়খি।

পিপলস পার্টিনা হৌখিবা চয়োলগী পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা মায় পাকখি তৌইগুম্বসুং পার্টি অসি মেজোরিটি ফংবদি ঙমখিদে। অসিগুম্বা ফীভমসিদা মেজোরিটি গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা কর্জনা খনবা য়াবা ওপসনদি সোসল দেমোক্রেটশিংনা কোলিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বনা ওইরি।

মমাঙদা সোসল দেমোক্রেটশিংদা কঞ্জার্ভেটিভশিংগা শেমখিবা এলাইঅন্স অদু চহী অসিগী কালেনদা কায়খি অমসুং অসিগুম্বা এলাইঅন্স অমা অমুক হন্না হিঙ্গৎহনবগী ৱাফমদা য়ানিংদবা কয়াসু লৈরম্বা য়াই হায়রি।

মশাগী চহী ৩১শুবদা ঙাইরিবা কর্জনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মখোয়গী পান্দমদি পার্লিয়ামেন্টদা মপূং ফাবা মেজোরিটিগা লোয়নন্না মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বনি। মদু ওইথোক্তবা তারবদি মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগী ফীভম লাক্কনি।

ফ্রীদম পার্টি অসি কুমজা ১৯৫৬তা এক্স-নাজিশিংনা এন্টিইম্মিগ্রেসন অমসুং এন্টি-ঈ য়ুগী ফীরেপশিংগা লোয়নন্না শেমখিবনি। তৌইগুম্বসুং হন্দক চহী



খরসিদা পার্টিঅসিগী অকন্নবা ফীরেপ খরা কোমথোরকপা উখি অমসুং মমাঙগী প্রসিদেন্টগী মীখলদা পার্টিগী কেন্দিদেট ভোট খজিক্তদা মায়থীবা নংখি।

ফ্রীদম পার্টিনা মমাঙদা কর্জবু মখোয়গী পোলিসিশিং হুরানবগী মরাল শীখি। পার্টি অনীগী মরক্তা এলাইঅন্স অমা শেম্বা হায়বসি ৱাথোক লাক্লবগী মচাক ওইবা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।